**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-11-2025)**

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সর্ভিসেসকী জোইন্ট দাইরেক্তর ডা.ৱাই.প্রেমচন্দ্রনা হায়রি-হোংলক্লিবা অইং আশা অমসুং মীওইবগী পন্সি মহিংনা রাজ্য অসিদা ৱাখল লায়না, দাইবেটিস, হাইপরটেন্সন, থাইরোটনচিংবা অনাবশিং নাবগী চাং হেনগৎলক্লি।

দাইরেক্তোরেট ওফ এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী মেদিয়া রিসোর্চ সেন্তরনা শিন্দুনা মণিপুরদা ক্লাইমেট চেঞ্জ রিপোর্তিংগী মতাংদা পোরোম্পাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট অসিদা পাঙথোকপা ৬ শুবা মেদিয়া ফেল্লোশিপ প্রোগ্রামগী ৪ শুবা মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা ডা.প্রেমচন্দ্রনানা হায়-রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা চনবা লোইদবা ইরম-নালাশিংদা কাং মচা পোকপগী চাং ৱাংলি। মসিনা দেঙ্গি লায়না শন্দোরকপগী অচৌবা মরম অমসু ওইবা য়াই।

মহাকা হায়-দেঙ্গি শন্দোক্লিবা মফমশিং মেপ্পিং তৌবগী থবক হৌজিক চথুরি। ডা: প্রেমচন্দ্রনা হায়-ঈশিং ঈচাওগী মতুংদা য়ুমশিংদা কোকফাই-শুজা কাবনচিংবা থোকপনা এজমা নাবগী চাং হেনগৎহল্লি। মহাকা হায়-মনিপুরদা কিদনি নাবগীদমক নোংমদা পেসেন্ট ১০০ হেন্না দাইলাইষ্টিস তৌরি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেটচ চেঞ্জকী দাইরেক্তর-ডা: তৌরাংবম ব্রজাকুমারনা হায়-ইং ১৯৭০ দগী ২০২৫ ফাওবদা রাজ্য অসিদা শাবগী চাং থা ১২ গী মনুংদা থা ১০ দি সেলসিয়স দিগ্রী ৩০ গী মথক্তা লৈ। মহাকা হায়-হোংলক্লিবা অইং আশা অসিনা হকশেলগী লমদা শোকহল্লকপা কয়া অসি মীয়াম পুন্না অমত্তা ওইনা থেংনমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

**এক্সিদেন্ট (এল)ঃ** য়ামা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা ঙসি থৌবাল জিলাদা থোকখিবা লন্থীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা মহৈরোই নুপীমচা অমা লৈখিদ্রে, অমনা শোক্লে।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়-থৌদোক অদু ঙসি নুংথিল থৌবাল ওক্রমগী ৱাইখোং মণি গালর্স কলেজ মমাংদা থোকখিবনি। থৌদোক অদু ইম্ফালোমদগী থৌবাল তমা হাইথরকপা বস অমনা খোঙনা চৎপা মহৈরোই অনি থোম্দগী মহৈরোই অমা মফম অদুমক্তদা লৈখিদবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা মহৈরোই অমা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পুখৎলবা মতুং ইম্ফালগী হোস্পিতাল অমদা লায়কন্নরি হায়রি। লৈখিদ্রবা নুপীমচা অদু য়াইরিপোক সিংহা মথক লৈকাইদগীনি। হৌজিক হৌজিক ফেন্সিয়ার হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস এলভেন তম্লিবী মহৈরোইনি হায়রি। লৈখিদ্রবগী হকচাং জেনিমসকী মোগর্তা থমখ্রে।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাদ্রিবা ফাওবা অশিবা হকচাং লৌরোই হায়রি। থৌদোক থোকফমদা জিলা অদুগী এস.পি. মনোজ প্রভাকর লাক্তুনা ইমুং মনুংগা ৱারী শান্নখি। লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা বস অদু হৌজিক পাঙথোক্লিবা সঙাই ফেষ্টিবেলদা মথৌ তৌরুবা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পার্সোনেলশিং পুরগা হল্লকপনি হায়রি। বস অদুগী ড্রাইভর ফারে হায়রি।

**ডে(এল)ঃ** সংবিধান দিবস লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদস্ হয়েং ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা এম.এস.এফ.দি.এসকী পেলেস ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা শরুক য়াগনি।

মরক অসিদা, রাজ্য সরকারগী শিক্ষা বিভাগকী মখাদা লৈরিবা জেট.ঈ.ওশিংনা হয়েং কন্সটিট্যুসন ডে পালন থৌরম পাঙথোকবা হুকুম থোকখ্রে।

ইদ্যুকেসন এসকী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ইদ্যুকেসন এসকী মখাদা মণিপুরদা লৈরিবা স্কুল খুদিংমক্তা হয়েং কন্সটিট্যুসন ডে পাক শন্না পাঙথোক্কদবনি। অদুগা, জিলা খুদিংমক্কী জেট.ঈ.ওশিংগী মখাদা লৈরিবা স্কুলশিংনা থৌরম পাঙথোকপগী ফোতো নত্রগা ভিদিওশিং লাক্লিবা শগোলশেল নুমিৎ ফাওবদা দাইরেক্তোরেটতা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

অমরোমদা, ন্যু দিল্লিদা লৈবা সংবিধান সদনগী সেন্ত্রেল হোলদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা সংবিধান দিবসতা রাস্ত্রপতি-দৌপদি মুরমু, উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, লোক সভা অধ্যক্ষ-ওম. বিরলা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনচিংবা শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা রাস্ত্রপতিনা সংবিধানগী প্রিয়েএমবল পাথোক্কনি। মসিগী মথক্তা লোল ৯-মলায়ম, মরাথি, নেপালি, পঞ্জাবী, বোড়ো, কাশমিরি, তেলুগু, ওরিয়া অমসুং অসামিজ লোলদা হন্দোক্লবা সংবিধানগী লাইরিকশিং পুথোক্কনি। মসিগা লোয়ননা সংবিধান চৎনখিবগী ৭৬ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা কোমেমোরেটিব বুকলেট অমসু পুথোক্কনি।

**সঙাই (এল)ঃ** মনিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল ২০২৫ গী ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎ অসিদা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লি।

ফেষ্টিভেল অসিগী মরুওইবা থৌরম পাঙথোকফম ওইরিবা হপ্তা কাংজৈবুংদা লৈবা ভৈগ্যাচন্দ্র ওপন ইয়ার ঠিয়েটরদা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী কালা সংস্কৃত্তিগী থৌরমশিং য়াওনা জগোই ঈশৈনচিংবা পাঙথোক্লি।

অমরোমদা, ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দেভলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা সিনেমাশিং উৎলি।

অমরোমদা, সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপা তারবদি, ঐখোয়সু ইশাগী ইয়ুমদা হলহনবীরো হায়দুনা ঙরাং চংশিনখিবা খোঙজংদা মহৈরোই অমবু

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফু-চৈখিবা য়ানিংদে। মদুদা চেন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎপীয়ু হায়দুনা ঙসি সি.সি. হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোইশিংনা রাজ্যপালদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। মেমোরেন্দম পীশিনবা লাকপদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুগা মহৈরোইশিংগগী মরক্তা মুকবা খরা থোকখি। তুংদা, পুলিস অমসুং খোঙজং চংশিল্লিবা মহৈরোইশিংগী মরক্তা ৱারী শান্নরবা মতুং ইরাং অদু লাকশিনখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দোলাইথাবীদা আই.দি.পিশিংনা চংশিনখিবা খোঙজংদা আই.দি.পি. য়াওনা মহৈরোইশিং অশোক অপন নংখিবা অমদি শগোলমাংদা লৈবা কম্যুনিতি হেলথ সেন্টর এন্দ হোস্পিতালদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী টিয়ার গ্যাস কাপশিনবা থৌওং য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম চথখি।

**ককচিং(এল)ঃ** সরদার এদ ১৫০ পদয়াত্রা য়ুনিতি মার্চ ঙসি ককচিংগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতগী রাজ্য সভাগী এম.পি লৈশেম্বা শনাজাওবনা হৌদোকখ্রে।

ককচিং জিলাগী ওর্গনাইজিং কম্মিতি ওফ সরদার এদ ১৫০ পদয়াত্রা য়ুনিতি মার্চ ২০২৫না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ককচিং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনর রোহিদ অনন্দ, এস.পি.প্রিয়াদর্সিনি লাইশ্রম অমদি মেরা য়ুভ ভারত মণিপুরগী ষ্টেট দাইরেক্তর এল.মাজিট কুমার সিংহ শরুক য়াখি।

**ৱাৰ্কশোপ (এল)ঃ** জেনেরেটিব এ.আই-ত্রান্সফোরমিং দা লেন্সস্কেপ ওফ একাডমীক রিছার্স হায়বসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা লেকচর প্রোগ্রাম অমা ঙসি জি.পি. ৱিমেন্স কলেজ ইম্ফালগী লাইব্রেরী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী কলেজ দিবলপমেন্ট কাউন্সিলনা য়ুনিভরসিতি অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ হোম সাইন্সনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা এ.আইগী

মতাংদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ কম্প্যুটর সাইন্সকী হেদ-ডা: কে.ঐচ. রোবিন্দ্রো সিংহনা ৱা ঙাংখি।

**ভাইওলেন্স(এল)ঃ** মালেমগী ওইনা নুপীশিংগী মথক্তা চথুবা মীওৎ-মীনৈ মুথৎপা নুমিৎকী পালন থৌরম থৌবাল জিলাদসু ঙসিদগী হৌখ্রে।

মথং থাগী ১৬ ফাওবা চথুগদবা থৌরম অসি ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল দিবলপমেন্ট সার্ভিস ওর্গনাইজেসন-ৱাংজিংনা শিনদুনা পাঙথোকপনি। য়ুনাইট টু এন্দ দিজিটেল ভাইওলেন্স এগেনষ্ট ওল ৱিমেন এন্দ গালর্স হায়বা হীরমদা নুমিৎ ১৬ নি চথুগদবা থৌরম অসি থৌবাল, ককচিং অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাদসু নুপীশিংগী মথক্তা চথুবা মীওৎ মানৈগী মতাংদা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং সেন্টর ফোর ৱিমেন এন্দ গালর্স, ৱিক্করস সেক্সন দিবলপমেন্ট কাউন্সিল, দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি-চান্দেল, দিষ্ট্রিক্ট পুলিস তেংনৌপল অমসুং ওল ট্রাইবেল ৱিমেন্স ওর্গনাইজেসননা শিনদুনা তেংনৌপল জিলাগী জেট.ই.ও. রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা দি.সি. ওফিস-তেংনৌপলদগী জেট.ই.ও. ওফিস ফাওবা লমজেল অমা লমথাখি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী মনুং চন্না লৈবা তুপুল ভিলেজতা নোংমগী ওইবা সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মনিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্তর সি.আর.পি.এফকী দি.জিগী মীৎয়েং মখাদা ৮৬ শুবা সি.আর.পি.এফ. বটালিয়ন-নোনে শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা ৮৬ শুবা সি.আর.পি.এফ. বটালিয়নগী সেকেন্দ ইন কম্মান দ-ডব্লিয়ু. রঙ্গিনি, এস.দি.পি.ও. নুঙবা-এস.এম. হুসেন, তুপুল ভিলেজগী

চেয়ারমেন-নিংমৈ কামৈ শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা সিনটেক্সশিং খুঞ্জাশিংদা য়েন্থোকখি। তুংদা, মফম অদুগী চাউখৎ থৌরাংগা মরী লৈননা সি.এস.ওশিং, খুলগী লুচিংবশিং অমদি খুঞ্জাশিং শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

**ককচিং (এল)ঃ** সাহিত্য সেবা সমিটি-ককচিংগী মনা ফংগদবা অইবা-অইবীশিংগী মিং লাউথোকখ্রে। মনা ফংগদবশিং-নিংঙোম্বম নন্দো সিংহদা য়াম্বেম সৈত্যা সিংহ মনা, কৈথেলাকপম লন্দনদা য়েন্দ্রেনবম সুরলাতা পুরুস্কার, কিতিচান্দ লুৱাংদা চিংখু মোইরাংলৈমা কবিরদাস মনা, লাইশ্রম মেমো সিংহদা, ক্ষেত্রি চাউবা ত্রান্সলেসন এৱার্ড-অসামগী লমাবম বিরেন্দ্রগী লাইরিক 'মংলানগী লন্বী' দা ক্ষেত্রি নলিনি সহিত্য মনা, অচৌবা য়ুমামদা য়েন্দ্রেবম গোদাধোর নীংশিং মনা পীরগনি হায়রি।

মনা অসি মথং চহিগী জনুৱারী ১৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা সহিত্য সেবা সমিতি-ককচিংগী ৫৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা খুৎশিন্নগনি হায়রি।

**এগ্রী(এল)ঃ** সেন্ত্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতি-ইম্ফালগী মখাদা একাডমীক সেসন ২০২৫-২৬ কী ওইনা বি-টেক ফুদ টেকোলোজি, বি-টেক এগ্রীকলচর ইঞ্জিনিয়ারিং, বি.এস.সি. নেচরেল ফার্মিং অমসুং বি.এস.সি. কম্মুনিতি সাইন্স তমনিংবা মহৈরোইশিংদগী দরখাষ্ট কৌরি। অকুপ্পা মরোল দাইরেক্তোরেট ওফ এগ্রীলচরদগী খঙলবা য়াগনি।

**মেটঃ** মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্য খরদা লৈচিল কুংনা থাগনি হায়রি।

মেট দিপার্টমেন্টনা হায়-মনিপুর, অসাম, মেঘালায়া, নাগালেন্দ, মিজোরাম, ত্রিপুরা, উত্তর প্রদেসকী অৱাং নোংচুপ থংবা মফমশিংদসু ঙসি লৈচিল কুংনা থাগনি।

বিভাগ অসিনা হায়-অৱাং নোংচুপ ভারতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ

নিনি অসিদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী অনিদগী অহুম ফাওবা হন্থরবা য়াই। মসিগী মথক্তা অন্দমান নিকোবর ইথৎ, কেরলা, তামিল নাদু অমসুং পুদুচেরিগী মফম খরদা নোং কন্না চুগনি হায়রি।

মরক অসিদা, লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলক্লি। সেন্ত্রেল পোলুসন কন্ত্রোল বোর্ডকী পাউ মতুং ইন্না ঙসি নুংথিল পুং অমা ফাওবদা দিল্লিদা ইয়ার ক্বালিতি ইন্দেক্স অসি ৩৫৯ ওইখি।

**বিহার ঃ** বিহারদা নীতিশ কুমারনা লুচিংবা সরকারগী অহানবা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমারনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা প্রস্তাব তরুক অয়াবা পীখি। মীফম লোইরবা তুংদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরিনা বিহারদা অনৌবা সুগর মিল ২৫ হাংদোক্লগনি হায়না লাউথোকখি। মসিগী মথক্তা চীফ সেক্রেটরিনা লুচিংবা অৱাংবা থাক্কী কমিতি অমা শেমদুনা হান্না থিংজিল্লুরবা সুগর মিলশিং অমুক হিংগৎহন্নবা থবকশিং পায়খৎকনি হায়রি।

রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলনা বিহার ষ্টেট আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স মীসন লিংবা অমসুং ন্যু এজ ইকোনোমিগী মখাদা রাজ্য অসিবু মালেমগী ওইবা থবক শুফম অমা ওইহন্নবা কমিতি অমা শেম্বা হায়নসু য়ান্নখি।

**পোলো ঃ** ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুদা চথুরিবা ১৫ শুবা মণিপুর পোলো ইন্তরনেসনেলগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা-য়ু.এস.এ. পোলো টিম অমসুং ইন্দিয়া পোলো টিম (এ) পাঞ্জল ৬-৬ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

অনিশুবা মেটচতা-কলম্বীয়া পোলো টিমনা ইন্দিয়া পোলো টিম (সি) বু পাঞ্জল ১০-৪ দা থোইখি।

**পোলোঃ** ওল মনিপুর পোলো এসোসিয়েসননা শিনদুনা কংলা মনুং কাংজৈবুংদা চথরিবা শগোল কাংজৈ কপ-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা লুৱাংপোকপা পোলো ক্লবনা লাইনিংথৌ খোরিফাবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১৯-১ দা থোইখ্রে।

অনিশুবা মেটচতা-তেন্থা পোলো ক্লবনা নম্বোল মপাল পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১২-৯ দা অদুগা অহুমশুবা মেটচতা-ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসননা ই.এ.সি. পোলো ক্লব-নোংমৈবুংবু পাঞ্জল ৯-৬ তা থোইখ্রে।

**রাজ ভবন (এল)ঃ** হন্দক নোইদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং কপতা নুপাগী কিলোগ্রাম ৫০ গী কাংলুপ্তা লুপাগী তকমান ফংল্লকখ্রবা এম. যাদুমণি সিংহ ঙসি রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা তরামা ওকখ্রে।

রাজ্যপালগা উন্নবা অদুদা যাদমুণিনা হায়-লাক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস অমদি কম্মনৱেলথ গেমসতা শরুক য়ানবগীদমক অকনবা মওংদা ত্রেন্নিং চথবা হৌরে। উন্নবা অদুদা এস.পি. স্পোর্টস-লাইশ্রম সরিতা শরুক য়াখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** বি.সি.সি.আইগী মীৎয়েং মখাদা অগরতালাগী পুলিস ত্রেনিং একাদমিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা নুপীগী চহি ২৩ মখাগী টি-ত্বেন্তি ত্রোফি প্লেট ক্রিকেটতা মেঘালয়না মনিপুরবু রন-১৯ দা থোইখ্রে।

অমরোমদা, গুজরাটকী লাল বহাদুর শাস্ত্রি ষ্টেদিয়ম অনন্দদা চথরিবা কুস বিহার ত্রোফি প্লেট য়ুথ ফার্ষ্ট ক্লাস মেটচতা মনিপুরনা মেঘালয়াবু রন-২২৮ দা থোইখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ২২ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টি.সি. এম.দি.সি. থোংজ্না ৱাই.এ.সি. য়াইস্কুলবু ৱিকেট ৭ তা থোইখি।

**পোলো (এল)ঃ** অনিশুবা দি.জি.এ.আর. ৱিমেন্স এন্দ মেন্স চেম্পিয়নসিপ পোলো টুর্নামেন্ট-২০২৫-২৬, মথং থাগী ৫ দগী ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা হৌরগনি হায়না ওল মনিপুর পোলো এসোসিয়েসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা রাজ্য অসিদা লৈরিবা রেজিস্তার তৌরবা পোলো ক্লব অমসুং এসোসিয়েসনশিংনা থা অসিগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুর জিলাগী তাইদা ফুটবোল গ্রাউন্দদা চৎথরিবা ইন্দিয়া য়ুথ লিগ এলাইটকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা তাইদানা সঙাই হেরোজপু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** অন্ধ্র প্রদেসকী অনন্তপুরদা চৎথরিবা ডাক্তর তালিমেরেন এ.ও. জ্নিয়ার গালর্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫-২৬ টয়ার ৱানদা মনিপুর গালর্স ফুটবোল টিমনা তামিল নাদুবু সেমি ফাইনেলদা পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা ফাইনেল চংলে। মনিপুরগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু-শেঞ্জম অলভা অমসুং চিংখাময়ম্ রেদিমানা চনখিবনি।